# ফুটবোল শান্নবদা মীয়াম ফুনবা

## লৈশাংথেম অজিৎ



যুরোপকী খ্বাইদগী ফুটবোল হৈবা লৈবাক ২৪ খনগৎলগা ফ্রান্সকী মরুওইবা সহরশিংদা চথুরিবা যুরো ২০১৬ হায়না খঙনবা চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা মহাদেশ অসিগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি হৌখিবা তাং ১২ দা মার্সেল্লিদা ইংলেন্দ অমসুং রসিয়াগী মেচ অমা শান্নবা হেক লোয়বগা রসিয়াবু শৌগৎপা মীয়াম্না ইংলেন্দবু শৌগৎপা মীয়াম্বু ফুবা, থিনবা অমসুং মখোঙনা তান্না তান্নদুনা কাউবগী ৱাথোক অমা থোকখিবা অসিনা য়ুনিয়ন ওফ যুরোপিয়ান ফুটবোল এসোসিএসন হায়রিবা যুরোপ পূম্বগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাওবা ৱায়েল থৌদা তৌরিবা লূপ অসিনা অথিংবা অমা রসিয়াগী মথক্তা থমহন্নিংই। পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈরম্বদগী মিনিট ৭৩ শুবা মতমদা ইংলেন্দনা ফ্রিকিক অমা ফংদুনা গোল পোষ্টতগী মিটর ২০ লাপ্পা মফমদগী ইরিক দিয়রনা কাওবদগী পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। ইংলেন্দ মচা অমনা অসিগুম্বা ফ্রিকিক্তগী পাঞ্জল চনবা ঙম্বা অসি য়াম্না তাংনা থোকই, দেভিদ বেকখাম্না কুমজা ২০০৬ তা ইক্বেদরগী মায়োক্তা শান্নবদা অসিগুম্বা পাঞ্জল অমা চনখি হায়বদি লৈখি। মেচ অসিগী অরোইবা পুংজাদা রসিয়াগী কেপ্তেন ভাসিলি বরজুতসকীনা মকোক্না বোল অদু ইনশিন্দুনা হায়বদি হেদ তৌদুনা পাঞ্জল মান্নহনখি। রেফ্রিনা মেচ লোইশিনবগী হুইসেল হেক খোঙবগা রসিয়াবু শৌগৎপা মীয়াম্না ইংলেন্দগী মীচংদা লৈবা মীয়াম্বু ফুবা হৌরকখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদা লৈরিবা মীয়ামনা শম্বল লান্থোক্লগা চেন্নবা হোৎনবদা শম্বল মখোঙ, শম্বল ময়া অদু মীনা কৃক কৃক ইন্নখি। ষ্টেদি ভেলোদ্রোম কৌবা ফুটবোল শান্নফম অসিদা থোকখিবা থৌদোক অসি ষ্টেদিয়মগী ৱাংমদা রসিয়া, ইংলেন্দ অমসুং ফ্রান্সকী তিমবু শৌগৎপা মীওইশিংনা নুমিৎ হুমনি লম্বীদা কাঙলুপ কাঙলুপ নাইনা উন-উনবশিং ফুনবগী থৌদোক চথরমখি অদুবু রায়োট অদু পুলিসনা চেকশিন্না শেন্নদুনা নমথখি।

য়ুনিয়ন ওফ যুরোপিয়ান ফুটবোল এসোসিএশন্না থৌদোক অসিবু য়াম্না লুম্না লৌই, নিংথিনা মমুৎ তানা থিগৎলবা মতুংদা অরানবা মরাল লৈবশিংবু অকনবা চৈরাক পীগনি। রাশিয়াগী টিমবু শৌগৎলিবা 'ফেন' শিং অসিনা কা হেনবা থবক চথবগীদমক রসিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না চৈরাক ফংবা অসি হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবনি। কুমজা ২০১২ গী টুর্নামেন্টদা রসিয়াবু শৌগৎপা মীয়াম্না ষ্টেদিয়মগী সেক্যুরিটি ষ্টাফশিংবু ফুরুবা অমদি চৎনবীগী ৱাংমদা মীমাংদা উৎপা য়াদবা, ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা য়াওবা বেন্নর উৎপগীদমক ফাইন থিহনখি অমসুং কুমজা ২০১৬ তা চথুরিবা যুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়ন অসিগী ক্বালিফায়িংগী পোইন্ট ফংলকপা অদুদগী পোইন্ট ৬ ককথৎখি।

খৎন-চৈনবা অদুগী মরক্তা য়াওবা রসিয়ন মচা ২০ খক্তি মফম অমদা পুল্লপ হোইজিন্দুনা থম্লগা মার্সেলি সহরদগী নাইসকী এয়রপোর্টতা থিন্দোকখিদুনা ময়ূমদা থাখ্রে। ইংলেন্দ অমসুং রসিয়াগী মেচ অসিগী মতুংদা সেইন্ট ইতিন্নে সহরদা ক্রোসিয়া অমসুং চেক রিপব্লিক অনীনা শান্নখিবা মেচ অমদা ক্রোসিয়ানা পাঞ্জল ২-১ দা মাংজিল থাদুনা চৎলিঙৈদা ক্রোসিয়াবু শৌগৎপা মীয়াম্না শান্নবগী মিনিট ৮৬ শুবা মতমদা মৈবুল লংশিল্লক্তুনা শান্নবুং অদুগী শরুক খরা মৈরিনা কুপশিল্লম্মী। মরম অদুনা শান্নবা অদু রেফ্রি মার্ক ক্লেত্তেনর্বগনা লেপহল্লম্মী। মৈরি অদু কুইনা চাক্তুনা লৈতে মিনিট ৪ রোমগী মতুংদা মুৎখিদুনা শান্নবা অদু অমুক হৌখি। ক্রোসিয়াগী কেপ্তেন দারিজো সরনা ক্রোসিয়াগী টিম শৌগৎলিবা মীয়ামদা অকায়বা থবক তৌবীদনবা হায়জরম্মী অমদি মতম অসিমক্তদা ষ্টেৱার্দ (ষ্টেদিয়মগী) শিংগা ক্রোসিয়াগী মীয়ামগা কিন্না থিন্নরম্মী। ক্রোসিয়াগী কাঙবু অদুনা য়ামদ্রবদা মৈবুল তরা রোম লংশিল্লক্লম্মী। রেফ্রিনা শান্নবা অদু অমুক হৌহল্লবা মতুংদা চেক রিপব্লিক্না পাঞ্জল অমা হন্দোক্তুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা পাঞ্জল চপ মান্নখি।

শান্নবুং মনুংদা মৈবুল লংশিনবগী হিরম অসিদা য়ুনিয়ন ওফ যুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনন্না ওফিসিয়েল ইনক্কারি অমা চথুরি। ক্রোসিয়া মচাশিং অসি হন্দক চহী খরা অসিদা ফুটবোল শান্নফমদা নাতৈ চাদবা থবকশিং চথবগী হৈনবী অমা লৈরক্লি। মখোয়না হৌখিবা চহীদা ইটালিগী যুরো ক্বালিফায়িং শান্নফম লম্পাক অদুদা নাজিগী স্বাষ্টিকা অমা চাওনা য়েকশিনখি। ক্রোসিয়াগী কোচ এন্টে কেসিনা হায়বদি মখোয়শিং অসি শান্নবা পামজবা মীওইশিং নত্তে, স্পোর্টস টেরোরিষ্টনি। লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট কোলিন্দা গ্রাবার কিতারোভিক্না মখোয় অসি 'ফেন' নত্তে, ক্রোসিয়াগী য়েক্ল বনি। ক্রোসিয়াগী হুলিগানশিং, ঙাওশিন্নবা অঙাংশিংনা ফুটবোল শান্নরিঙৈদা মরক্তা অকায়বা পীরে। মসিনা চেক রিপব্লিক্তা মতেং ওইখ্রে। যুরো ২০১৬ শান্নদ্রিঙৈদা, হৌগদবা ৱাৎলিঙৈদা রসিয়াগী পুলিসনা ফ্রান্সকী পুলিসতা অকায়বা পীবা ঙাওশিন্নবা মীওই ৩২৬ কী মমিং থাখি।

ফুটবোলগী হুলিগানিজম অসি যুরোপ্তা কুমজা ১৯৬০ দগী ১৯৯০ ফাওবা নোংমা নোংমগী হেনজিল্লকখি। মসি ব্রিটিশ ইথক্তা অয়াম্বা তৌই। হুলিগানশিংগী মকোক ওইবশিং অসি অয়াম্বনা ক্লবশিংগী ফম অচৌবা পায়রিবশিংগা মরী লৈনৈ। হুলিগান পামজবা মীওইশিংগী তোঙানবা লমহেনবগী লূপ লৈজৈ, তোঙানবা মমিং অমগী মখাদা থবক খুদিংমক তৌই। ইংলেন্দগী অরসেনেল ক্লবকী সপোর্ট তৌবশিংদি হর্দ হায়না খঙনৈ, অসুম্না চেলসি ক্লবকীনা হেদ হন্টর, মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকীনা রেদ আর্মি হায়না খঙনৈ। ইংলেন্দা পাঙথোকপা অচৌবা টুর্নামেন্টশিংদা হুলিগানগী হায়বদি দাকুগী থবক তৌবা অকল অরিংশিংদুনা নমদুনা লাউশিন্দুনা মী ফুদুনা পাঞ্জল চনবগী থৌওংশিং অসি টেলিভিজন্দা তোয়না উবদগী হুলিগালিজম অসি যুরোপ পূম্বা শন্দোরকখি। কুমজা ১৯৯৬ তা ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিদা রিছার্স স্কোলার গ্রুপ অমনা থিজিনবদা ফুটবোল শান্নবদা মীয়ামনা ফুনবা চৈনবা তৌবা অসি ফুরুপ খুদিংগী খেন্নে, মান্নদে, স্কোটলেন্দা অচৌবা টুর্নামেন্ট পাঙথোকপদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অয়াম্বনা শাগৈ-শাগৈগী ওইনা শেম্মী, মরম অদুনা মখোয়গী সপোর্টরশিং শাগৈগী মীওইশিং ওইবনা নপাক নপাক তান্নরগা ফুনা চৈনবা তৌই। আয়রলেন্দদা প্রোটেষ্টেন চৎপগী তোঙানবা টিম, রোমান কেথোলিক চৎপশিংগী তোঙানবা টিমশিং লৈ মরম অদুনা ফুটবোল মেচশিংদা লাইনীং খেন্নবগী গ্রুপ অনী অসি খৎনদুনা অচৌবা ঈরাং থোকহল্লি।

সরবিয়াগী রেদ ষ্টার বেলগ্রেদ য়াম্না মরু ওইবা ফুটবোল ক্লবনি, লমহেনবা, শেল পায়বা মীওই কয়ানা ক্লব অসিগী সপোর্টরনি। সপোর্টরশিং অসিগী লুচিংবশিং ক্লবকী প্রসিদেন্ট অমদি মহাক্কী ষ্টাফনা য়াম্না ইকায় খুম্না লোয়নৈ। সপোর্টরশিং অসিগা ক্লবকী মেম্বরশিংগা ফম্মিন্নরগা সপোর্টরশিং অসিগী গুন্দাশিংনা করি করি তৌগনি হায়বগী পোরম য়াৎথোকমিন্নে। মখোয়গী লুচিংবশিংদা ক্লবনা চাং নাইনা শেল পী, মখোয় টিমগী হেদ ক্বার্টরদা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াই।

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ উশিংশা

**— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —**



উশিংশা পাম্বী মাউন্টেন পিপর

*ঐখোয়গী* লমদম মণিপুরদা উশিংশা হায়রিবা পাম্বী অসি য়াম্না মরু ওইনা লৌনবা পাম্বীশিংগী মনুংদা অমনি। উশিংশা পাম্বী অসি ময়াম্না মাউন্টেন পিপর (Mountain pepper) নৎত্রগা চাইনিজ পিপর (Chinese pepper) নৎত্রগা মে চাঙ (May Chang), আসামীজদা মজেঙ্কোরী (Majenkori), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা লিতসিয়া ক্যুবেবা (Litsea cubeba Pers.) নৎত্রগা লিতসিয়া সাইত্রাতা (L. citrata Bl.) হায়না কৌই অমসুং লৌরেসী শাগৈগী মনুং চল্লি। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না উশিংশা পাম্বী অসি খা থংবা চাইনা, ইন্দোনেসিয়া, জাভা, সুমাত্রা অমসুং খা নোংপোক থংবা মফমশিং মরু ওইনা হিমালয়গী লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি (Native) হায়রি। পাম্বী অসি হিমালয়গী মফমশিং, নেপাল, ভুটান, অৱাং নোংপোক ভারতকী অয়াম্বা মফমশিংদা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। অৱাং নোংপোক ভারতকী মনুংদা উশিংশা হৌবা মরু ওইবা মফমশিংদি মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ, মেঘালয়া, আসাম, মিজোরাম, নাগালেন্দ অমসুং সিক্কিমনচিংবশিংনি। মণিপুরগী মনুংদা উশিংশা পাম্বী অসি অনেম্বা অমদি ময়ায় ওইরপ্পা ৱাংবা চীংশিং অমদি লোক্কী মপান্দা মরু ওইনা হৌবা থেংনৈ। তমেংলোং অসি মণিপুরগী খ্বাইদগী উশিংশা হৌবা মফমনি।

উশিংশা হায়রিবা পাম্বী অসি মনা য়াম্না কেনগনবা (Deciduous) পীক্তক তৌবা উ পাম্বী অমনি। উ পাম্বী অসি চপ য়ুংনা হৌদুনা মতোন্দা মসা অমদি মনা পুংনা পাল্লি অমসুং পাম্বী অসিগী উগী মকু হায়বদি বার্ক (Bark) অসি শীৎ নাল্লি। পাম্বী অসিগী মশা পূম্নমক অসি মনম চেল্লি অমসুং ইসেন্সিয়েল ওইল (Essential oil) হায়রিবা থাউ অসি য়াওই। হায়রিবা থাউ অসি মহৈ (অমুনবা) দনা খ্বাইদগী চাং হেন্না য়াওই। অমুনবা অমদি মপূং ফানা কংলবা মহৈদা থাউ অসি চাদা ৪.৫ দগী ৫.০ ফাওবদা য়াওই। হায়রিবা থাউ অসি ভারত অমসুং অন্তরজাতিগী কৈথেলশিংদা লৈবা য়োনবগী থবকশিং তৌনৈ। হায়রিবা থাউ অসিগীদমক্তা উশিংশা পাম্বী অসি পাক শন্না জপান অমসুং টাইৱান্দা থানৈ অদুবু হায়রিবা থাউ অসি খ্বাইদগী চাং ৱাংনা পুথোকপা লৈবাক্তি চাইনানি। উশিংশাগী থাউ অসি হেক মনম নম্বদা চম্প্রা-নাপী (Lemon grass) গী থাউগা য়াম্না মান্নে অদুবু উশিংশাগী থাউনা চম্প্রা নাপীগী থাউদগী হেন্না মনম নুংশিবা অমদি মগুন হেল্লি।

উশিংশাগী থাউ অসি মীওইবদা হীরম কয়ামরুমদা কান্নবা পীরি। হায়রিবা থাউ অসি পর্ফ্যুমরি (Perfumery) অমসুং কোসমেটিক হায়বদি অকে-অমৌগী পোৎথোকশিং শাবদা য়াম্না পাম্না অমদি পাক-শন্না শীজিন্নরি।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি উশিংশাগী মহৈ অসি মোরোক মেত্তুনা য়াম্না হাওবা মথেল অমা ওইনা চানৈ। শা-ঙা থোংবদা মহৈ অদু খরদং হাপ্তুনা এঞ্জাং অদুগী মহাও অদু হেনগৎহনবতা নত্তনা শা অদুবু থোৎতোকহনবা ঙম্মী হায়না শীজিন্নে। উশিংশাগী হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং অসিসু থোইদোক্না শিংথানিংঙাই ওই। ৱাখল লায়না লৈবা মীওইশিংদা এরোমা থেরাপীগী মতেংনা উশিংশাগী থাউ অসি শীজিন্নদুনা চৎথবা লায়েং অসি চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নরি। লোক থুংবা অমদি খৌনাও ফুনবগী অনাবশিংদা উশিংশাগী থাউ অসি অসুক্কী মতিক কান্নে। উশিংশাগী থাউ অসি চাবা তুমদবা অমদি শিংলি-নাওরি মপাঙ্গল শোন্থবদা য়াম্না ফবা হীদাক অমা ওইনা শীজিন্নে। মখল মখা কয়াগী উনশাগী লায়নাশিং অসিদসু উশিংশাগী থাউ অসি থোইদোক্না কান্নহল্লি। লৌনগনবা উনশাগী লায়না এথলেটস-ফুট (Athlete's foot) অসি উশিংশাগী থাউ অসিনা মায় পাক্না লায়েংবগী পাউদমসু লৈ। সাইন্সনা থিজিনবদগী প্রমান তৌবা ঙমখ্রে মদুদি মীওইবদা নাবা লায়না এরাইথমিয়া (Arrhythmia) হায়রিবা মীওইবগী থম্মোয় অসি চাং নাইনা মথৌ তৌবা ঙমদবা, য়াম্না থুনা অকা-অকুম তৌবা, মপূং ফানা মথৌ তৌরক্তবা অমদি মপাঙ্গল শোন্থরকপদা উশিংশাগী থাউ অসিনা হায়নিংঙাই লৈতনা কান্নবা পীবা ঙম্মী।

হৌজিক্কী চাওখৎলবা মতম অসিদা মীওইবদা য়াম্না তোয়না থোক্লিবা ৱাখল ৱাবা অমদি পাখৎপা (Stress & anxiety) অসিদা উশিংশাগী থাউ অসিনা লায়েংবা য়াই হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়রি। ৱাখল ফত্তবা খনবা অমদি য়াম্না থুনা শাউগনবা মীওইশিং অসি উশিংশাগী থাউ শীজিন্নদুনা এরোমা থেরাপীগী লায়েংনা ফহল্লি। ইনখৎলকপা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা মায়দা থাউরেক য়াম্না কারবা অমদি উরিং থুংলবদি (Acne) উশিংশাগী থাউ অদুনা মায়দা তৈরগা তপ্না নানবীদুনা (Massage) ঈশিংনা ফজনা চামথোকপদা য়াম্না কান্নবগী পাউদম লৈ। তূম্বা য়াগন্দবা মীওইনা উশিংশাগী থাউ অদু লুম্বু-লুম্বু শাহল্লগা তূম্বা চঙলমদাইদা নোইবীদুনা তূম্লবদি মপূং ফানা তূমখুন তানবা ঙমগনি। শেগ্রাক হুমাং থোক্কনবা অমদি হকচাং য়াম্না মনম নমথিগনবা মীওইশিংনা ঈরুজবা মতমদা ঈশিং অদুদা উশিংশাগী থাউ অদু খরদং হাপ্লগা ঈরুজবদা য়াম্না কান্নগনি। য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা ৱাফম অমনা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা PLoS কী সাইন্সকী চেফোং (Scientific Journal) অমদা উশিংশাগী থাউ অসি মীওইবগী লঙ কেন্সর (Lung Cancer) হায়বদি থবোম্বীগী কেন্সর অসিদা য়াম্না কান্নবগী পাউদম পীখি। চাইনাদদি উশিংশা অসি চাবা তুমদবা (Dyspepsia) অমসুং পুক নুংশিৎ কাবা (Flatulence) অসিগী লায়েংদা অফবা হীদাক অমা ওইনা শীজিন্নে।




উশিংশা পাম্বী মাউন্টেন পিপরদগী শুংবা থাউ মখলশিং

## হুইয়েন লানপাউগী তাবুনুংদৈ

২০/১০/১৯৯৬, নোংমাইজিং

# আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্টনা ইন্সর্জেন্সি মুথৎপা ঙম্লগদ্রা?

**—নিল্লবাবু ওইনাম—**

**আর্ম** ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট, ১৯৫৮ থোইদোক্না মণিপুরগী প্রজাশিংনা খঙনরবা এক্ট অমনি। মসিগী মমিংদি লমদম অসিদা 'ব্লেক লো' নৎত্রগা 'জঙ্গলগী লো' হায়রগা হেন্না খঙনৈ। করিগীদমক্তা এক্ট অসিগী মতেংদগী সেক্যুরিটিগী মীওইশিংনা মীচম ফাওবা হাৎনিংলে হাৎপা য়াহল্লি, ফানিংলে ফাবা য়াহল্লি। ফাখ্রগা থিবা খঙহন্দবসু য়াওরি। অমা পনবদা ওক্লবা থৌদোক কয়া খুরক হাংদনা থোক্লিবসিনি। এক্ট অসি লান্না ইতৎ তত্তনা শীজিন্নবনা মরম ওইদুনা সেক্যুরিটিগী মীওইশিং অসি হিংচাবা হায়বদু ওইনা উরি। অদুগা মণিপুরগী মীয়াম্না হিংচাবশিং অদুগী মচিঞ্জাক ওইরি।

মণিপুরদা থোক্লিবা ইন্সর্জেন্সিগী ৱাথোক অসিগী শরুক কয়া অমা হেন্না শাথিবা ইন্দিয়াগী রাজ্য কয়া লৈরি। মখোয়দুবুদি দিষ্টর্ব এরিয়ানি হায়না লাউথোক্তে অমসুং তমথিরবা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট অসি চলাইদে। অদুবু অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিং অসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না করম্বা মিৎয়েং য়েংবদগীনো খঙদে, মীওইবশিংগী মরক্তা চৎনবা য়ারোইদবা, শা-ঙাশিংগী মরক্তা চলাইগদবা এক্ট অসি য়াম্না ভাব তানা চলাইরি।

এক্ট অসি মণিপুর লৈঙাক্লসু থাদোকপা পামদে। মদুগী মরমদি এক্ট অসি লৈঙাক অমা মরা চেৎহন্নবা হোৎনবদা য়াম্না কান্নবা খূৎলায় অমা ওই, মীয়ামদা ওৎলবসু। অদুননি হন্দক্কী এসেম্বলি সেসন্দা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা পুখৎলকপা 'আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ মণিপুরদগী লৌথোকসি' হায়বা প্রাইভেট মেম্বর রিজোলুসন অমা হাওসতা পুখৎলকপদা ওপোজিসনগী এম এল এ খুদিংমক্না সপোর্ট তৌরগসু, রুল্লিংগী শ্রী রিশাং কৈশিংগী কোংগ্রেস লৈঙাক্তা শৌগৎলিবা এম এল এ খুদিংমক্কুদি মীয়াম্না পাম্নদ্রবা এক্ট অসিবু লৌথোকপীখ্রো হায়না ইতৎ তত্তনা লাউরিবা এক্ট অসি মণিপুরদা শাংথনা থম্নবা অয়েৎপা পীদুনা ডা. লুৱাংগী ৱারেপ পাস তৌখিদবা অদু মীয়ামগী থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইখি। মসিনা তাকপদি শ্রী রিশাং কৈশিং মীয়ামগী অপাম্বা করিনো খঙদে, খঙলবসু খঙশিন্নদে; মহাক্কী চৌক্রি ঙাকপনা হেন্না মরুনি হায়না লৌই। মহাক্কী লৈঙাক্তা শৌগৎলিবা রুলিংগী এম এল এসু মীয়ামগী য়েংদনা শ্রী রিশাংগী লৈঙাক কন্ননবতা হোৎনদুনা লৈ হায়বনি।

চুম্মী লৈঙাক অমা লৈবা তারবদি লৈবাক্তুবু ঙাক্লবা আর্মি, পুলিসনচিংবগী থৌদাং য়াম্না চাওই। মখোয় য়াওদনা লৈবাক্তা ঈং-তপ্পা ফীভম লাকপা ওইথোক্তে। অদুম ওইনমক মখোয়বু হিংচাবা ওলহন্নবা লৈরিবা এক্ট অসিদি মণিপুরগী মীয়ামসু তাইবং মীওইবনি হায়না খনবীবগা লোয়ননা লমদমসিদা চলাইবিগনু; অথুবা মতমদা লৌথোকপীখো অসিনি মীয়াম্না পাল্লিবদি।

মালেমদা য়াম্না শিংথানরিবসি মিলিটরি দিসিপ্লিন অসিনি। মদুগী ফজবা দিসিপ্লিন অদু মীয়ামদা সেক্যুরিটিনা করি তৌরি? মদুবু কাওথোক্লগা মীয়ামদা তাথি-তাওইনা তৌদুনা ইকায়বা পীবা, অৱাবা পীবা অসিদি মীয়ামগী ফননবা নত্তে, মীয়ামবু সেক্যুরিটিনা য়েক্লবগুম য়েংবা মিৎয়েংনি। মীয়ামগা সেক্যুরিটিগা নক্লবা মরী থম্লবদি, সেক্যুরিটিনা পায়খৎকদবা থৌরাং কয়াদা মীয়াম্না মতেং পাঙনিংবা মহৌশানি। মদুগী ওন্ন তৈনবদা মীচম মীয়াম্বু হাৎলবা, ফারগা মাঙহল্লবা, নুপী অঙাংবু ঈজৎ মাঙহল্লবা, ফুনিংবা মতমদা মরম চাদনা পংফুদা ফুরবদি সেক্যুরিটি ফোর্সতা মীয়াম্না খুৎতুম্না শিংবা তঙাইফদবনি। শ্রী জিবন লৈতবগী মতাংদা ইমা ইবেল, মৈরা পায়বীশিংনা 'ঐখোয়দসু নোংমৈ পীরো, সেক্যুরিটি নখোয়গা ঐখোয়গা কাপথৎনদুনা হাত্তোক্লরসি' হায়না সেক্যুরিটিদা ওনশিল্লগা শাউখিবদু অর্থ লৈ।

তশেংবমক মীয়ামদি ইলেক্সনগী মতমদা য়াম্না মপাঙ্গল কল্লি। মখোয়গী শিল অদুনা মীয়ামগী অৱাবা কয়া কোকহনবীনবা মীহুৎশিং থাগৎলি। মীহুৎশিং অদুনা লৈঙাক শেম্লে অমসুং পুলিস, সেক্যুরিটি ফোর্সনচিংবা মখোয়গী মখাদা থমদুনা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লনবা লৈরে। আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্টনচিংবা অসিনা লৈঙাক্কী মপাঙ্গল থোইদোক্না কনখৎহল্লে। অদুবু, নাকল অমরোমদা সেক্যুরিটিনা এক্ট অসিবু খূৎলায় অমা ওইনা লান্না শীজিন্নরগা মীচম মীয়ামদা ওৎলে। মসিদা মীয়াম্না শেম্বা লৈঙাক অসিনা মীয়াম্বু মীহুৎনা কন্নবা সেক্যুরিটিশিংবু মীচম মীয়ামদা ওৎতনবা, আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট লান্না শীজিন্নদনবা পাউতাক পীবিফম থোক্তবরা? মদুদা য়াদবা তারবদি আইন ঙাক্ল বা লৈরিবা সেক্যুরিটি ফোর্সনা আইন থুগাইরবদি মরাল লৈরবা সেক্যুরিটিগী মীওইশিং অদুদা ফংফম থোকপা মতিক চাবা চৈরাক খুদক খুদক্তা পীবিফম থোক্তবরা? মখোয়গী মোরেল হন্থখিনি হায়দুনা লান্না লৌরবসু অসুম মরাল লৈরবসু কনখৎপা অদুদি মপী মপা ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরনা মীচং মীখাই নাই, মীয়াম্না ৱাবদুদি কৈসু লৈতবনি হায়না খন্দোকপগী খুদমনি হায়না লৌরোইদবগী মরম করিনো? অদুদি, রাজ্য অসিদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী মহুৎ প্রসিদেন্ট রুল লৈবগা খেন্নবা করিনো হংনরক্লি।

ঙসি ফাওবদা লালহৌবা নহারোল নমথনবগী মীংদা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট অসি শীজিন্নরগা নহারোল লালহৌবা কয়া হাৎখ্রে, কয়া ফাখ্রে। অদুবু ঙসি মদুগী ঈরাং অসি নমথবা ঙম্লব্রা নৎত্রগা হন্থরক্লিব্রা? মসিনদুম মীয়ামদা ওনশিন্দুনা চিক্লকপদগী এক্ট অসি কাউন্টর প্রদক্টিব ওইরে হায়বসি খঙনরবনি। কৈদৌঙৈদসু এক্ট অসিনা অন্দরগ্রাউন্দ প্রোব্লেম অসি কোকহনবা ঙম্লোই। এক্ট অসি চলাইবা তৌদনা পঞ্জাবকী অন্দরগ্রাউন্দ প্রোব্লেম নমথবা ঙমখিবদু মতাং অসিদা নীংশিংবা য়াই। মরম অদুনা সেক্যুরিটিদি লেংদনা থম্লগসু, এক্ট অসি লৌথোক্লগা রাজনিতিগী পাম্বৈনচিংবা শীজিন্নরগা সমস্যা অসি কোকহন্নবা থম্মোয় শেংনা হোৎনবদুনি মীয়াম্না পাল্লিবসি।

অসুম্না ৱাবনা খম থেংলবা মণিপুরগী মীয়াম্না চাবা চাদবা লোয়না নাথৈদুনা থম্লগা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট, ১৯৫৮ অসিগী মায়োক্তা লান্থেংনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী চাওবা ইশ্যু ওইরে। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা এক্ট অসিবু মণিপুরদা শাংথনা থম্বা পাম্লবনিনা, এক্ট অসি লৌথোকপা ঙমগদবা মীয়ামগী ওইবা অনৌবা লৈঙাক অমগী তঙাইফদবা লৈরে। মসিগীদমক্তা মীয়ামগী মায়কৈদগী লেপ্পা লৈতনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লিবসি হেন্না হেন্না কনশিল্লক্কদ্রা হায়বগী থাজবা লৈ।